ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯳, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯲꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ফেব্রুৱারী ২৩, ২০১৯, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ৩২৮শুবা মশীং

# এ আরদা অহেনবা মতিক ময়াই পীবা

### *হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবগী থৌদোক মশীং হেনগৎহল্লকপা য়াই*

য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট মঙাদা ৱারেন্ট য়াওদনা মী ফাবা অমসুং থিবা-হুম্বা চৎথবা ঙম্বগী মতিক-ময়াই অসাম রাইফলসতা পীশ্লে। মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা হায়খি, অসাম রাইফলসকী খ্বাইদগী হবলদা থাক্কী ওফিসর অমদা কোদ ওফ ক্রিমিনেল প্রোসিজরগী মতুংইন্না ৱারেন্ট য়াওদ্রবসু মী ফাবা অমদি থি-হুম্বা চৎথনবগী মতিক-ময়াই পীরে। মণিপুর, অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ অমসুং মিজোরামদা সী আর পি সীগী সেক্সন ৪৭, ৪৮, ৪৯, ৫১, ৫৩, ৫৪, ১৪৯, ১৫০, ১৫১ অমসুং ১৫২ গী মখাদা অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংনা ৱারেন্ট য়াওদ্রবসু মী ফাবা অমদি থি-হুম্বা চৎথনবগী অয়াবা পীরে হায়না হোম মিনিষ্ট্রিগী নোটিফিকেসন অদুনা ফোঙদোকখি। সী আর পি সীগী সেক্সন ৪১ গী মতুংইন্না মেজিষ্ট্রেটকী য়াথং নৎত্রগা ৱারেন্ট য়াওদ্রবসু মী ফাবা ঙম্বগী মতিক-ময়াই পীরি। সেক্সন ৪৭ না থিবা-হুম্বা চৎথনবগী অয়াবা পীরি। অৱাং নোংপোক লমদমদা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসন চৎথবদা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবা অসাম রাইফলসনা ম্যান্মারগা লোন্নবা ইন্দিয়াগী ঙমখৈ ঙাকপগী থৌদাংসু লৌরিবনি। মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী মফম খরদা চৎনরিবা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱারস এক্টনা আর্মিদা অহেনবা মতিক ময়াই পীবগী মায়োক্তা মীয়ামগী ৱাকৎ কয়া লৈরিঙৈগী চৈরক্তা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগী অনৌবা নোটিফিকেসন অসি থোরকখিবনি। তোঙান-তোঙানবা লালহৌলূপ কয়া নমথনবা হোৎনবদা চাউনা মুকুবগী ফীভম লৈরিবা মণিপুরদা আর্মি, অসাম রাইফলস অমসুং ষ্টেট পুলিসনা মখুৎ চল্লবা মীওই কয়া খুৎশেমগী খুৎ থোক্লবা থৌদোক্তা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎলি হায়বা ৱাফমগা মরী লৈননা সুপ্রীম কোর্টতা কেস চৎথরিবনি। কুমজা ২০০০ দগী কুমজা ২০১২ ফাওবদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খুৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোকশিংদা মীওই ১,৫২৮ শিখিবগী মতাংদা এক্সত্রা জুদিসল এগজিক্যুসন ভিক্টিম ফেমিলিজ এসোসিএসন (ইভফম) না থাংগৎলকপা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমদা য়ুম্ফম ওইরগা সুপ্রীম কোর্টনা থৌদোকশিং অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চৎথনবা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) দা য়াথং পীখি। মমাঙ চহীগী জুলাই ২২ দা সুপ্রীম কোর্টনা য়াথং অসি পীদ্রিঙৈগী মমাঙদা ইন্দিয়ন আর্মিনা এপ্রিল ২০ দা থাংগৎখিবা পিটিসন অমনা হায়খি, মণিপুর য়াওনা লালহৌবগী অকনবা মফম ওইরিবা ষ্টেটশিংদা এটি-ইন্সর্জেন্সি ওপরেসন চত্থরিবা আর্মি পর্সনেলশিংগী মথক্তা এফ আই আর লৌখৎপা মরম চাদে।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা আর্মিগী ৱাফম শৌগৎলকখ্রবসু সুপ্রীম কোর্টনা সী বি আইদা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চৎথনবা য়াথং পীখিবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসনগী ফীভম য়েংশিন্নবা ফিরেপ লৌখি। সুপ্রীম কোর্টতা পি আই এল থাংগৎলকখিবা ইভফমনা হায়খি, অফস্পানা ঙাক্লৌ পীবা মরম্না মণিপুরদা আর্মি অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা এক্সট্রাজুদিসল ওইবা মওংদা মীওই কয়া মখুৎ চল্লবা মতুংদা হাৎপা ঙম্লিবনি। তৌবগীবুদি কুমজা ২০১৩ দা সুপ্রীম কোর্টকী য়াথং মতুংইন্না শেমখিবা জষ্টিস হেগরে কম্মিটিগী রিপোর্টনা মণিপুরদা খুৎ থোক্লবদা শিখিবনি হায়বা মীওই পুন্নমক সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মখুৎ চল্লবা মতুংদা হাৎপনি হায়না ফোঙদোকখি। এপেক্স কোর্টকী জজ ওইরম্বা জষ্টিস সন্তোস হেগরেনা লুচিংলগা হান্নগী চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার জে এম লিংদো অমসুং কর্নাটকাগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস ওইরম্বা অজয় কুমার সিংহনা মেম্বর ওইবা কম্মিটিগী রিপোর্টনা হায়খি, মণিপুরদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মখুৎতা লৈখিদবা মীওই পুন্নমক খুৎ থোক্লবদা শিখিবনি হায়বগী মতিক চাবা খুদম ফংদে। রিপোর্ট অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্টশিংনা অকনবা খোল্লাউ লাউরক্তুনা কা হেনবা থৌওং চৎথবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংদা ঙাক্লৌ পীরিবা অফস্পা চৎনহন্দনবা খোঙজং চঙশিল্লকখি। য়ুনাইটেদ নেসন্সনফাওবা য়াদ্রবা এক্ট অসি কুমজা ১৯৪২ দা মহাত্মা গান্ধীনা ''ক্বিট ইন্দিয়া মুভমেন্ট'' চঙশিনখিবদা মতমদুগী বৃটিশ ইন্দিয়াগী ভাইসরোই লিনলিথগোনা অহানবা ওইনা ওর্দিনান্স ওইনা চৎনহনখিবনি। আর্মদ ফোর্সেসকী ওফিসর অমদা মী হাৎনবগী লাইসেন্স পীবা ওর্দিনান্স অসি ইন্দিয়ানা নীংতম্লবা মতুংদা এক্ট ওন্থোক্তুনা কুমজা ১৯৫৮ দা ''আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱারস (অসাম এন্দ মণিপুর) এক্ট'' হায়না চৎনহল্লকখি। কুমজা ১৯৮০ দগী মণিপুরদা চৎনহল্লক্লিবা এক্ট অসি ইন্দিয়ন দিমোক্রেসিদা চন্নফম লৈতে অমসুং ইন্টরনেসনল কোভনেন্ট ওন সিভিল এন্দ পোলিটিকেল রাইটসকী মায়োক্তা লৈবা কলোনিয়ল ইরাগী লোনি হায়না য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন অমদি য়ু এনগী স্পেসল রাপোর্টর ওন এক্সট্রাজুদিসল, সম্মরি ওর অরবিট্ররি ইগজেক্যুসন্সনা ফোঙদোকখি। পুন্নমক অসি ওইদুনসু ইম্ফালগী মফম খরখক নত্তনা মণিপুর পুম্বদা দিষ্টর্ব এরিয়া লাউথোক্তুনা এক্ট অসি চৎনরি। মসিগী মথক্তা হন্দক মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা অসাম রাইফলসতা অহেনবা মতিক-ময়াই পীখিবগী থৌওং অদুনা করি ফীভম ওইহল্লকপা য়াবগে হায়বদু খন্থরগা ষ্টেট লৈঙাক্লা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং লৌখৎহৌবা চুমগনি।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### চুম্না চৎপগী হৈনবী থমসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

*মীশিং* য়ামখৎলকপগী মতুং ইন্না খ্বাইরম্বন্দগী অকোয়বদা গাড়ী চিনবগী চাং অসি অসুক্কী মতিক ৱাংলে। কাঙলোন চুম্না গাড়ী পার্ক তৌবা অমদি গাড়ী থৌবগী হৈনবী লৈরবদি চিল্লিবা অসি খরমখৈদি হন্থগনি। মীশিং য়ামখৎলকপগী মতুং ইন্না গাড়ী থৌবগী চাং হেনগৎলকপনা লম্বীদা গাড়ী চিল্লকপনি হায়বসি পূন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুমকপু কাঙলোন কায়না গাড়ী থৌবনসু মরম চাদনা গাড়ী চিলহন্নবগী মচাক ওই। লমলোং ফাংবা মফমদা গাড়ী থৈদোক থৈজিন তৌনবা মতমদা কাঙলোন কায়রকপা মতমদা গাড়ীশিং ব্লোক তৌহল্লি। ওইরোমদগী লৈরগা মাগী মায়কৈদা অদুমক চৎখিগদবা গাড়ী অদুনা করিগুম্বদা খামজিন্দুনা লৈরবদি পরিং অমদা চৎখিগদবা গাড়ীশিং অদু মরম চাদনা ক্যুদা শাংনা লৈরকপগী মচাক ওইহল্লি। ওফিস কান্নরকপা অমদি কুম্নরকপগী মতম অসি মী য়াম্না চিনবা মতম ওই। ত্রাফিক্কী কাঙলোন অসি ঐখোয়না ইশা ইশানা খরমখৈসু খঙনা চৎনরবদি চিনবগী চাং অসি হন্থগনি হায়না থাজে। গাড়ী পার্ক মফম চাদনা তৌশিনবা অসিসু গাড়ী চিলহন্নবগী য়াম্না চাউবা মরমশিংগী মনুংদা অমনি। ত্রাফিক কন্ট্রোলদা লৈরিবা পার্সনেলশিংসু গাড়ী চিল্লকপা মতমদা গাড়ী থাদোক-থাজিন তৌনবা হোৎনবদা অৱাবা শোয়দনা মায়োক্নরমগনি। ত্রাফিক্কী পার্সনেলশিংসু মতমগা চুনবা ত্রেনিংশিং পীদুনা ত্রাফিক কন্ট্রোলদা য়ারিবমখৈ কাঙলোন চুম্না চত্থবা য়ানবা হোৎনহন্নীংই। হীরমসিদা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী ওফিসলশিংনা মীৎয়েং চঙবগী তঙাইফদবা লৈ।

*অদোমগী - থোকচোম শান্তিকুমার*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯০

১। মণিপুরগী পুৱারীদা 'শানোংবা হিগায়ৱা' গী ৱা চাউনা ইদুনা লৈরি। মসিগা মরী লৈননা অমুক 'তৌবুল লানফম' হায়বা অমসু ইদুনা লৈরি।
(ক) তৌবুল য়াঙ্গোই তুরেল মপানগী লানফমদু করম্বা চহীদনো?
(খ) মৈদিংঙু খাগেম্বগী মনাও য়াইমা খুরাইলাকপগী অশেংবা মমিং করি কৌই?
২। ''ওইদবা ৱানা অওইবা মালহনবা হায়বসি কোমেদিগী লাইৱানি।'' ৱাফম অসি ঐখোয়গী মমিং লৈবা দ্রামা ইবা অমগী য়াৱানি। অইবদু কনানো?
৩। ''শাগৎলিবা ৱারী, থৌদোক অমসুং চরিত্রশিং... মীরোল অহুমগী অচৌবা, অপাকপা ৱারী অমনি।'' ৱাফমসিনা ক্রিটিক অমনা 'নুংশিননা হিংমিন্নবা' কৌবা উপন্যাস অদুগী মতাংদা হায়রিবনি। উপন্যাস অদুগী অইবদু কনানো?
৪। মোহন রাকেশকী 'আষাড়কা এক দিন' হায়বদুদা য়ুম্ফম ওইদুনা 'কদোমদনো চৎলিসিবু' হায়না লীলা ওইনা পুথোকখ্রে। লীলা অদুগী অইবীদু কনানো?
৫। ''লক্লরুগে ঙসিদি/শান্নরুগে কুম্মৈদুম/নুমিদাংৱাইরম নুংশিৎকী/খঙহল্লুগে ইতিক্তুম'' লৈবাক্লা পাম্নরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা ৱাহৈ পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।*

# শাবাশ করম হায়সিগে?

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**

*য়ুমগী* নুপীনা থীনা থীনা চৈরকই হৌজিকফাও অঙাংগী অঙ্ক লাইরিক লৈয়ু লৈয়ু অঙাংনা হায়রগা লৈদ্রিবা অসিবু করিগীনো মচাগীনি হায়রদি না ওইনা তৌদে হায়না। ঐনা হায় হৌজিক অসি মণিপুরদা অঙাং লাইরিক তম্নবা লৈত্রি। ঐনা ফংদে ফংদে হায়বসি নুপী অঙাংনদি থাজবা খরা ৱাৎলি। চহী অমগী ফেব্রুৱারী থা লোইরক্কদৌরবা মতম অসিদা অঙাংগী টেক্স বুক ফংদে হায়বসিবু থাজবা য়াবা ৱারা হায়দনা য়াম থীনা থীনা নুপীনা হায়রে। মানা হায়রিবসিদা অচুম্বা য়াওদে করম হায়দৌরি।

অরিবা লাইরিক মতমগা চূনদে-চানদ্রে, মতমগা চুনবা চানবা লাইরিক অমুক তম্বা হৌরনি হায়রকপদা ঐখোয়না করিগী হরাউদ্দনীংঙাই লৈ? হরাউফম থোকপনি, তগৎ-তগৎ তেকপা চাজৌ হায়রকপদা হরাউরোইদৌবা কনা অমুক লৈরমখিনি। লাইরিক অরিবা অদু চৎনররোই হায়রবনিনা অরিবসু লৈশিন্নদ্রে অদুগা অরিবা অদু বুক ষ্টোরদসু থমদ্রে, থম্বগীসু কান্নবা করি অমত্তা লৈতরে। অদুনা অঙাংগী মখূৎতদি ফেব্রুৱারী লোইরল্লবা অসিফাওবা মতিক চাবা লাইরিক ফংদ্রে। থম্মোয়না হংগে হংগে তৌরক্লিবনা অরিবা লাইরিকশিং অদু কদাইফাওবা, কদাই য়ৌনা কয়াম্মুক য়াম্না মতমগা চানদ্রবনো? অদুগা অমুক মদু মতমগা চানদ্রে হায়বা তারবদি মদুবু তম্লকখিবা হান্নগী অঙাংশিং অদুনা কমদৌররিনি ? অঙাংদা অফবা টেক্স বুক পীবা য়াম্না মথৌ তাই।

অচৌ অচৌবা কম্পেনি কয়ানা পুথোকপা অফ-অফবা অঙাংগী লাইরিক মণিপুরদা তম্নখিদ্রে। মচু মমেন শীজিন্নদুনা, অয়েকপা লাই কয়া হাপ্পুনা, খুদম চাংদম ময়াম অমা হাপ্পুনা অমদি অরাইবা অচম্বা লোন্দা পুদাদা ইবা অঙাংগীদমক ফোঙবা অঙাংগী তম্নবা লাইরিক উবদা ঐদি থাঙ্গৎলগা চুপ-চুপ চুপচৈ অদুগা ইরিবা মীশিং অদুগী মমিংদা সলাম অসি য়াম্না তোয়না কৎচৈ। হান্নদি ঐ সলাম কোৎপা কয়া হৈরমদবা মীশক অমনি। লাইরিক অফবা উরগা ঐদি সলাম অদুম কোৎচৈ।

অফবা টেক্স বুক অসি লৈঙাক্লা পীবিবা মতমদা য়াম্না চোন্থনা পীবীবা নৎত্রগা ফংহনবীবা তারবদি মদু ফরুবগী মথৌ করিনো? ফৈ হায়দুনা থেংথনা পীরবসু কাঞ্জথাঙ ওইদুনা তোকপা তাবনি। থাগৎনীংবা কয়াসু লৈতোন ফাজিনবা অদুম তারকই। অমুক্তমক থোকপা ওইরবদি খরসু ফবা ! মসি অফবা লৈঙাক্কী হাক্তক্তসু ফত্তবা লৈঙাক্কী হাক্তক্তসু অদুম তোয়না থোক্লবা থৌদৌ অমদি অসুম অসুম ওইখৎলক্লি।

মহৌশাদি টেক্স বুক অসি ইচেনা, ইয়াম্বনা তম্লম্বা অদু মৌপ্বা ওইবা, মনাও ওইবা ঐখোয়না অদুম তম্বা য়ারম্মী। থায়নদগী হৌজিক ফাওবা লাইরিক্তা অহোংবা কয়া কা হেন্না লৈবসু উদে, খরা খরতনি হোংলিবা। খূৎতম্বীদি হোংবা য়াই। টেক্স বুক্তি মনুংগী মথীবোঙদি অক্মানি। হোংদে হায়বদি য়াদে হোংই অদুবু ঙাইহাক লৈতনা হোংবদি ওইদে। অহোংবা মতৎ মতা অদুদি রেদিও তারি, পাউচে পারি, টেলিভিজন য়েংলি, মেগাজিন পানরি, ইন্টরনেট ফাক্ল রি। মদুদি মাগী মাগী মরী লৈনবা ওজা ওজা অদুনা মেনখৎপীবা অদুম কায়দে, মেনসু মেনখৎনরি। থা খুদিং টেক্স বুক হোংবসু ঙম্মোই, লাইরিক ইবা খুদাং চোল্লক্কনি। হোংবগীদি য়াম্না ফৈ, ফত্তে হায়বা য়ারোই অদুবু মতম চানা ফংহন্নবা খুজিল থৌরাং অমা ওইনা লাইরিক নম্বা পূমলোই লোইদুনা য়েন্থোকখিবা-চাইখাইখিবা মপূং ফানা য়ারে। পূমলোই লোইরে হায়রবা মতম, মতাং অদুদা হয়েংদগী লাইরিক হোংলনি হায়দনা কিৎ নম্লগা হেক্তা লাউথোকপীরবদি ময়াম্না শাবাশ হেক্তা হায়নগদৌরিবনি। অদুদি নত্তনা নমফাও নমদ্রিঙৈদা হোংলনি হায়জিল্লগা জুন-জুলাইদা লাইরিক পীবনদি কনানা শাবাশ হায়বা ৱাহৈদো হায়বিগনি? হান্নগী লাইরিক অদুসু চৎনররোই হায় চৎনগদৌবা লাইরিক্লা ফংদ করিনো তোল্লবা ননাই ঐখোয়না তৌজগদৌরিবা অসিবো?

লাইরিক নম্বা পূমলোই লোইদুনা চহী অমগী মমাঙদা পৈশিন্দুনা গোদাউন মনুংদা মরাং কায়না থল্লবা মতম অদুদা পোঙনা মথংগী চহীদা লাইরিক হোংলগনি হায়না ওক্তোবর-নবেম্বর থাদুদা লাউথোকপীরবদি কয়াগী মতিক শাবাশ হায়রমগনি। মতম চানা লাইরিক অনৌবা ফংহনবা ঙম্লোইদৌবা লৈবিরগদি অরিবা লাইরিক চহী অমা অদুম তম্লগা, চহী অমা চোন্থরগা মথং চহীদগী য়াম্না ৱাখল তানা লাইরিক অদু হোংবীবা তারবদি শাবাশ-শাবাশ-শাবাশ অদুম হেক হায়নগদৌবা।



# লমদম অমগী মপূ খঙলক্তবা

**নবকুমার ওইনা**

*লমদম* অমগী মপূ ওইগদৌবা মীশিংনা মপূ ওইবগী অচুম্বা ৱাঙাঙ ৱা ওইনা ঙাঙদ্রবদি লম অদুগী খ্বাইদগী লাইবক থীবা ৱারী ওইহৌরগনি। মীওই অমনা খঙবশিং খোমজিন্দুনা অপূনবা ৱাখল্লোন শাগৎপা ঙম্নবা হোৎনবনা খ্বাইদগী মপূং ওইবা থৌদা ওইফম থোকই। থৌদাংদি লৌদবা, 'ঐখোয়গীদমক তৌবিরক্তে' হায়বগী ৱাকৎ থাঙ্গৎতুনা লৈবনা অচুম্বা শকপদি য়ারোই। মপূ শাবসু য়ারোই।

অৱাৎপা কয়া অমা মেনখৎপা ঙমদনা লৈরিবা লমদম অমনা পোৎ চৈগীদমক অৱাৎপা খঙবা, ৱাখল লৌশিংগীদমক অৱাৎপশিংদি থৌওইনা চেকশিন থৌরাং তৌহৌদবা তারবদি লৈবাক অমা ওইনা পানবা ঙমদনা মুৎখিবা শোয়দবনি। মদু খঙনা খঙদ্রিবদু খঙদ্রি হায়বা ঙম্বগী থৌনা লৈবদুবু লৈবাক মচা তাবনি হায়গনি। মদুমক্কী মতিক মঙম শাগৎপা ঙমদবশিংনা লৈবাক অমা শাথগৎপসু ঙম্ফম থোক্তে।

হায়নীংবা কয়া হায়বা য়ারে হায়না অয়াবা পীরবসু ঙাঙবা ঙমহন্দব্রদি ঙাঙবা ঙমজদ্রিবা অমসুং ঙাঙবা য়াহন্দ্রিবা অনীমক মরাল লৈফম থোকই। অনীমক লৈবাক মচা তাদবনি হায়গনি। মসিমক মতমগী লায়না ওইরিবনি। য়েৎনবদগী লান অমা থোক্লবদি শিফম থোক্তবা কয়া'মা শিবসু য়াই, হাৎফম থোকপা কয়া'মনা হাৎপা ঙম্নদবসু য়াই। মী মরক্তা হাৎনবদি তোকপা ঙম্নদ্রি।

ৱাখল লৌশিংগী অহোংবসি খুদক্তা লৈবা ঙমগদৌবনি। হৌখিবদা কয়া অমা হোংবা ঙমদবদগী লমদম অমগী মপূ ওইনা হোংখ্রিবনি। মপূগী ৱাখলদি অহোংবা পুরকপা ঙম্বা, অওনবা পুরকপা ঙম্বা, হোংনবা হোৎনবদুগীদমক হৈনবী লৈবা ওইগদৌবনি। হৈনবীদু পংহোংদা হোংবগী নত্তবদা, হান্না নিংথৌ পাল্লম্বগী হৈনবীদু নিংথৌ পান্দ্রে খঙবগা হোংবা ঙম্বা অমা চঙলি। চহী ৭০শুরবা ফাওবা হোংবা ঙমদ্রবদি অওনবা লৈতবা কৌবা তারকই। ঙসি ফাওবা হোংবা ঙম্নদবদগী লৈবাক অমগী লৈঙাক কাঙলোন অমা চাংয়েংগী থাক্তা লৈরকই হায়নরিবা অসিনি। মীওই খরনা (নিংথৌগী ৱায়েল লৈখিদবদগী) মশামক নিংথৌ ওইহৌবা য়াবগী খুদোংচাবা লৌনবা খনবসু য়াওদবা নত্তে। লমখৈগী মনাক্তা লৈবা ষ্টেট খরদি মায়কৈ সলাই অমা খঙহৌদ্রবনি হায়বা য়ারিবনি। হৌজিক্তা ইরাবতকুম্বা অমনা হায়রম্বদু করিনো হংনরক্লি, খঙনরবসু মান্দরি। হংলিবতনা খঙদ্রিবা নৎত্রি তারিবশিংসু খঙদ্রিবা, হংনরিবসি য়াদবসু য়াওরিবা মাল্লক্লি। মসিখক্তনা লমদম অমগী মীওইশিংগী খুন্নাই অদুগী করম্বা থাক্তা লৈরবগে খঙবা য়াগদৌরিবনি। পুকচেল শেংনদবগী অদুতা নত্তনা খঙবা ঙম্নদবগী থাক অদু ওইনা য়েংনগদৌবনি। শামু য়েংবা মাল্লক্লি।

লমদম অসিদা নিংথৌনা থিংলম্লবা ষণ হুরানবা অদুমক মচি-মচিদা খরা শেমদোক্লগা অদুমক চৎনরি। হুরানবা অনী, অমনা অমদা ইকায়নদে, মীওইবনা শুরুংদা লৈরিঙৈদগী ইকায়নরক্তুবনি। হুরানবা ফাবগী চৎনবী লৈরকপা কুইরবসু, চৈরাক পীনরবসু, হুরানবা তোকপা ঙম্নদ্রিবা লমদম ওইরি। হুরানবা তোক্লখ্রবা লমদম কয়া লৈরে হায়বসি খঙনরবসু, ঐ-ঐ হায়বসিনা অকোন-অহান অমুক খায়দোক্লি। 'ঐ' হায়বা ঐখোয় ময়ামগা 'ঐ' হায়বা মখোয় ময়ামগা 'ঐখোয়-ঐখোয়' হায়বা অনী মান্নরক্ত্রে। ঐখোয় খুদিংমক ঐখোয়-ঐখোয়গী নিংথৌ ওইবা পাম্নরকপা মাল্লক্লে, ঐখোয় খুদিংমক মপূ ওইবা পাম্নরকপা উনরে।

মসিমক্তি খুন্দা-লৈতাদ্রিঙৈগী হৈনবীনি। মফম খুদিংদা হিংবগী লাম্থেংনবদা চাবা-শেৎপগা মরী লৈনবদি য়াই, মদু নত্তবা লৈঙাক কাংলোনগী ঈথিল-ঈরাংদা চেল্লিবা ৱাখলশিং অসিনা হেন্না ৱাথোক ওইরক্লি। নিংথৌ ওইবা পাম্বগুম্না লুচিংবা ওইবা মুন্নবা হায়বসি নিংথৌ পানবগী চৎনবীদু লৈরি হায়না লৌবা য়ারক্লি। মীয়ামগী হোংলক্লিবা ৱাখল পরিং ঙাক্লা চৎপা ঙম্লবদি নিংথৌ খুভমদু ঙাক্তুনা থম্বসু য়াওনরি। নিংথৌ খুভমগা নিংথৌ ওইনীংবশিংগা হেক-হেক মুক্ল রকপা য়াওনরি। মীয়ামগী থৌগল তৌগেদি হায়রগা নিংথৌদি নিংথৌনি হায়রক্লবদি দেমোক্রেসিগী ৱাফম ঙাঙনবা পকচখিরোইদৌরি। লমদম অসিদা মিনিষ্টর অমনা চৎপগা লুহোংবা চৎপগা য়াম্না মান্নরি। লুহোংবদা মচাক-মরল তুম্নরি, ভোটতা পৈশা য়েন্নরি। পাম্নরিবসি করিনো? মদুবু পুন্সি চূপ্পগী ফংবা ঙম্নগদ্রা? অঙাং লৈশান্নবা ওইনা য়েংবসু য়াওনরম্বা য়ারি। ভোট হৈত্রিবা দেমোক্রেসি হায়বসিবু অওইবা করি য়াওগদৌরি, মসিবু ফাগি নত্তে হায়বা য়াগদ্রা? ফাগিগী লৈবাক লৈবা য়াগদ্রা? ঙাঙনরিবসিদি ফাগি নত্তে, খন্থদুনা য়েংদবা য়াদবনি, লৈবাক হায়বসি লৈমায়দতা লৈগদৌবনি হায়বা য়াদে, মীয়ামদুগী কোক্তা লৈগদৌবনি। লৈমায়দুগীদমক কোক্তা হাপচিনবা ঙম্বশিংনা লৈমায়দুগী মপূ ওইগদৌরিবনি। মদু ঙমহৌদবা কাঙলূপ অমগী লমদু অতোপ্পা কাঙলূপ অমনা লৌশিন্নখিবা য়াওনরিবা অসিনি।

মীদি খেন্নবা নায়রে। লৈশেমঙৈগী মী পোক্লকপদা থৱায় পাল্লকপগী মফম অদু মালেমগী কাচিন অমখক্তদগী ওইরমদৌবা মান্দে। লমদম অসিগীদি হৌরকফমদু য়েৎনরি, স্কুল কোলেজদা ফাওবা ময়েক শেংনা তম্বা ঙম্নদ্রি। য়েৎনরি। লাইরিক তম্বা ফাওবা য়েৎনরিবা হায়বসি মীয়ামগী ৱাখলদা ৱাৎলিবনি হায়রিবনি। মদুদা পেন্থোক্তুনা লৈবা য়াবা নত্তে। কনাগুম্বা মপূ (লাই) অমনা তাকপীরক্কদৌবনি খল্লিবা মখৈ খুন্নাইশিংগী মরক্তা মাঙজিল থাবা ঙমখিরোইদৌরিবনি। লাইনীং খেন্নবগী মী মখল খায়দোকপদু লমদম অসিদসু য়ৌশিল্লকপদগী লমগী মপূ মুন্নবগী খোঙথাংসু য়ৌরকখি। লাইগী ৱাখলদি পাকই, তুং ইল্লিবা মীশিংগী ৱাখলদি নোংমা নোংমগী পিকশিন্নরক্লি হায়বা য়ারি। মীনি হায়রগা মীয়াম অমবু মশক খঙবা ঙমদ্রিবা থাক অমদা ঐখোয় লৈরি। লাইনীংদা মী মখল খায়দোরক্লে, লাইনীংদা লমগী মপূ ওইবসু মুন্নরক্লে, লাইনীংনা লৈবাক অমা ওৎখায়রক্লে।

মালেমগী ওইনা খনবগী মহুত্তা মাগী মাগী ৱাখলনা অচুম্বা ওইনা লৌনদুনা লোইনাইদবা য়েৎনফম অমা শাগৎনরি। মশা মশাগী কাঙলূপকী মিংদু লাইনীংগী মীংদা হোংদোক হোংজিন তৌনরি। থম্মোয়গী ৱাখল অদু হোংলগা লৈবাক ওইনা শাগৎনরক্লি, লৈবাক অদুগী মপূ ওইবা মুন্নরক্লি। কয়াদা তোনখ্রবা মীওইবগী ৱাখলগী লান ওইরক্লিবনো। লাইনীংদবু স্কুলগী অঙাংগী মীং চনবগুম্না তৌনরক্লিবা করিগী ওইফম থোকপগে? অচুম্বগীদমক লাই নীংনরগা মীয়ামগী ৱাখল পরিংদদি অমত্তা মান্নরক্ত্রে। ইমুং-মনুংদা চংশিন্দুনা চরক-চহিং নায়বা ফীভম অমা য়ৌশিল্লক্লে। মদুমক্লা লমদম অমগী মীয়ামদা লায়না ওইদুনা লমগী মপূ কনানো খঙবা ঙমদবগী থাক্তা চায়নরক্লে। অচৌবা লান অমা ওইরক্লে।

লাইরিক তম্বদা ফর্ষ্ট ক্লাস মহৈরোয়না ডোক্টর, এঞ্জিনিয়র ওইখ্রে, ফংহৌদবশিং এম সী এস ফংবসু য়াওরি। সেকেন্দ ক্লাসকী মহৈরোয়শিংনা আর্মি, পুলিস, ওজা, ক্লার্ক, প্রাইভেটকী থবক তৌখি। থার্দ ক্লাসকী মহৈরোয়শিংনা ভোট লেপ্লগা লৈবাক মপূ ওইরম্মী। হৌজিক্তি থবক্তগী পোথারবশিংনা লৈঙাক পায়শিল্লকপা য়াওরে। ভোট থাদবদি লাইরিক হৈবশিংসু হৈত্রি হায়গনি, পৈশা লৌরগা থাদবশিংনা পুবা মায়কৈদা হুমদুনা পুখিবা ঙল্লি। লাইরিক হৈবশিংনা মমায় চুম্বা ঙমদ্রি। লাইরিক তম্লগা লৈবাক মচা তাবা ঙম্লগনি হায়বসু লৈত্রি। থবক্কী তম্বা ওইরি। লাইরিক তম্লবশিংনা লৈবাক্কী ৱারেপ লৌবা লৈত্রি। লাইরিক তল্লিবশিংনা লৈবাক্কী ৱা য়াম্না ঙাঙনবা ঙম্নদ্রি, মশাগী থবক ফংনবগী লান্দা মায়থীবা নংলবশিংগী ৱাকৎ মীফমদা ঙাওরি। মীপুম খুদিং লাইরিক তম্নরে, লাইরিক হৈরে হায়বা ঙম্বদি খরতনি। লাইরিক হৈরে থবক পিয়ু হায়বসিবু লাইরিক হৈবা কৌগদৌরিবা করিগীনো ? ৱাখল অসিগী থাক্তগী হেনগৎপা ঙমদবশিংনা লৈবাক অমগী মপু কমদৌনা ওইগদৌরিবনো ? অঙকপনি। লৈবাক্কী মপু ওইবা হায়বসি লো অমা শেম্বনি, লৈবাক হায়বসি লোদুবুনি, নাপী হৌরিবা লৈমায়দু নত্তে। লাইরিক হৈরবনি হায়বশিংনা মশাগী ওইবা লোদু শেম্বা ঙমজদ্রিবা করিগী ওইফম থোকপগে ? লাইরিক পানবা ৱাৎপগী ওইগদৌরিব্রা, ৱা খন্নবা ৱাৎপগী ওইগদৌরিব্রা, নিংথৌদা লোয়না ইন্থোকলুবগী ওইগদৌরিব্রা ? লৈবাক অমা ওইরিঙৈগী নিংথৌ ওইরম্বা ফুরুপ অমনা লমদম অমগী মপু ওইরিবনি খঞ্জরম্বদু মাঙখ্রে। ৱাখলদতা মপু ওইরি খঞ্জবা তারবদি লাল্লক্লি। হৌজিক মপু মুন্নরক্লে।

হৌজিক্তি থবক শূবশিংনা লমগী মপু ওইরক্লবনি। লমদম অমবু চৌকিদারগুম্বা শঙদুনা লৈরগা লমগী মপুনি হায়বসি চহী খরাতগী ওইরগনি, তপ্লা-তপ্লা থবক শূবশিংনা লৌখ্রগনি। থবক শূদবশিংনা লম অমগী মপু ওইগনি হায়বসি লাইরিক তল্লিবশিংগী ৱাখল ওইদ্রে, থবক শূগে হায়বগীদমক মহৈ তম্বনি। থবক শূনিংদনবা তম্ববু লাইরিক তম্বা কৌবা য়াদে। তোঙান তোঙানবা থবক মখলশিংগী তোঙান তোঙানবা মী মখল খায়দোক্লম্বদু অমুক হঞ্জিল্লক্লে। অনেম অৱাং খায়বদুদি তোক্লবা কুইখ্রে, তোকপা ঙমজদবশিং মুখরক্লি, থবক শূগনি খঙনদ্রি। মুখরক্লিবশিংসি মশানা মশাবু অচৌবা-অৱাংবা থাক্কী মীনি হায়না লৌজবা, থবক্তি শূহৌদবা ওইগল্লি। মান্নবা থাক্তা পুল্লে খল্লবসু ৱাহৈগী ওইনতা ঙাঙলগা থবক্তা পুনবা ঙমদবা তারবদি লমগী মপু কৌবা য়ারক্লোই।

হৌজিক লৈবাক্কী অশিল-অরাংগী থবক কনা-কনানা শূরিবগে ? পুকচেল শেংনা শূবা ঙম্বা, পুকচেল শেংনা হায়বা ঙম্বা কনাবু য়াওরিবগে ? অদুনবু লৈবাক অমা মুৎপমখৈ মাঙখ্রিবনি। থায়নগী খোংবান তৌরম্বশিংগী থবক, মপুনি হায়রম্বশিংনা শূরি। থবক শূরক্তবগী হৌনবা হৈত্রিবনা লৈবাক ইরাং লাংলি। শিংবগী হায়রবদি লমহুইনা শাশিংগী নিংথৌ ওইফম থোকপনি। নোংশাদি লমহুইদৌনা সনা-লুপা খুন্দে, নিংথৌনা মানা ওই। লৈবাক ঙাক্তবা নিংথৌ ওইরকপগী লৈঙাক্কী থবক হৈরক্তবসু ওইবা য়ারি। নিংথৌগুম্না ঙাঙলি, লৈঙাক্লা মীনাই থম্লগা ঙাকহনবগুম্বনি। ৱাখলদা পঙনুংদা নুঙায়বা লৈঙাক্কী থবক্তি য়াওদবা, হুরানবা চংবগুম্না লৌনবা মাল্লি। মসিনা থবক শূরবনি হায়বদি য়ারোইদৌরি। তিংখ-তিংখত্তুনা ঙাঙলগা লৈবাক ঙাক্লিবনি হায়বসু চুম্লোই। লমষণ অমনা শঙলগা য়ুমশা খরনা লৌ উবগুম্বনি। ফৌনা অমনা লোকখিবনি, কনানা মপুনি হায়বা খঙনবা নৎত্রি হায়গনি। মপুনি খঞ্জরবসু মপু ওইবা ঙম্বা নৎত্রি।

অসিগুম্বা নোংলৈ-নুংশিৎ মরক্তা মরুপ-মপাং খরা চাক পিজরগা মপু শাবনা য়ারোই। মপু নত্তবনা মপু শাবা, অউবনা নোক্লম্বসু য়ারিবনি। নোক্লিবশিংগা কপ্লিবা খরগা পুল্লবনি হায়বসু য়ারক্লোই। মসিদনি পুনবগী অৱাবা লৈরক্লিবসি। লাইনিংগুম্না থাজহনবা তম্বা তারক্লি। থাজবা হায়বসি হুরান্নবা, ওইদবা ঙাঙবশিংনা ফংবা ঙম্নদ্রিবা মনা-মথুম ওইনা লৈরিবনি। হুরাল্লগা থবক হাপ্পা ঙম্বা, হুরানবা শৌগৎপশিংবু থবক ঙম্বগী মনা-মথুম ফংনরকপা উরক্লবনি। ষণ হুরানবনা ঙায়হাক ষণবু শাবসি লৈবাক ঙাকপদা পানশিনবদা অকায়বদি লৈগনি। লৈবাক্কী মপু ওইরিবা মীয়ামদা হুরানবগী লোনচৎ তম্বীবদি মাঙনা-তাক্লবা শিল্লিবনি। অচুম্বা খঙদ্রবা লাইনিং লোনচৎ অমদা খোঙফম চেত্তবা খুন্নাই অমা শাগৎখিবা হায়বসি মপু লৈতবদগী লৈবাক অমা মাঙখিবা তাবনি। মশানা তাজবা ৱাফম্নি। অচুম্বা অমগী ইরন্নাই হায়বা লৈফম থোক্তে। খেন্নবা লৈনরিবসিদি লাইনিংদা নত্তে, মীওইবগী কোক্তা ৱাখলগী থাক অমননি হায়গনি। মপু ওইবসু ঙমজদ্রবা থাক্তুনি।

মপু ওইগদৌবশিংগী পূক্নিং-ৱাখলদি ৱায়বদা পীথোকপা য়াফম থোক্তে। ৱারেপ অমা শাগৎপা ঙম্নবা মীয়াম মমাংদা পুথোক্তুনা অফোংবা লান অমা ওইহনবা ঙম্বা চুমগনি খল্লি।